য়ু এস ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৬

# জর্মনিগী কর্বর অমদি দেনমার্ককী ৱাজনিয়াকি নুপীগী সিঙ্গলস সেমি ফাইনেল চঙখ্রে, নুপাগীদা নম্বর ৱান জোকোভিসসু সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে



নুপীগী সিঙ্গলস সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবী জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বর অমসুং নুপাগী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান জোকোভিস

*ন্যু য়োর্ক, সেপ্তেম্বর ০৭ ঃ*

জর্মনিগী নুপীগী টেন্নিস শান্নরোই ৱার্ল্ড নম্বর টুসু ওইরিবী এঞ্জেলিক কর্বর য়ু এস এ গী সহর ন্যু য়োর্কতা লৈবা ফ্লসিং মিদো টেন্নিস সেন্টরদা চত্থরিবা চহী অসিগী অরোইবা গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ অসিদা দেনমার্ককী কেরোলিন ৱাজনিয়াকিসু মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লি।

অদুগা নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা মহাক্কী ঙরাং শান্নখিবা অথেংবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

নুপীগী ৱার্ল্ড নম্বর টু শান্নরোই জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা ঙরাং অর্থর এস ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইটালিগী ৱার্ল্ড নম্বর সভেন রোবার্টা ভিন্সিগা লম্বা তৌনবদা অহানবা সেটতা য়াম্না অকনবা মশান্না লান্থেংনরবা মতুং ৭–৫ দা থোইখি।

অহানবা সেট মায় পাক্লবা মতুং অনীশুবা সেটতদি জর্মনিগী কর্বরগী মশান্না অদুদা ইটালিগী শান্নরোই রোবার্টা ভিন্সিনা মখুৎ হনবা ঙমদবদগী গেম ৬ মক কর্বরনা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

এঞ্জেলিক কর্বরনা য়ুএস ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা শান্নরোই অদু লাটভিয়াগী অনাষ্টেসিয়া সেভাষ্টোভাবু ৬–০, ৬–২ দা থোইরম্বী দেনমার্ককী কেরোলিন ৱাজনিয়াকিনি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ফ্রান্সকী ৱার্ল্ড নম্বর নাইন শান্নরোই জো ৱিলফ্রেদ সোঙ্গাগা লম্বা তৌনরকপদা অহানবা সেট অনী ৬–৩, ৬–২ দা থোইদুনা মাঙজিল থাদুনা লৈরিঙৈ ৩ শুবা সেট শান্নবা হৌদ্রিঙৈ মাঙওইননা জো ৱিলফ্রেদ সোঙ্গা মশা ঙন্নক্তবদগী মখা তানা মেটচ অদু শান্নবা ঙন্নক্তবদগী নোবাক জোকোভির্সনা সেমি ফাইনেল চঙখিবনি।

নোবাক জোকোভিসনা সেমি ফাইনেল লম্বা তৌগদৌরিবা শান্নরোই অদু ফ্রান্সকী টুর্নামেন্ট অসিদা ১০ শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়াখিবা গেল মোনফিল্‌সনি। মোনফিল্‌সনা মহাক্কী ঙরাং শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা অতোপ্পা ফ্রান্সকী শান্নরোই লুকাস পোলিবু ৬–৪, ৬–৩, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি।



য়ু এস ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টতা নুপীগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিহৌরবা ইন্দিয়াগী সনিয়া মির্জা অমসুং জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভা

নুপীগী দবসলকী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী সনিয়া মির্জানা জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভাগা জ ুরা ওইদুনা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ফ্রান্সকী নুপীগী দবলসতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান জুরা ওইরিবা কেরোলিন গার্সিয়া অমসুং কৃষ্টিনা লাদেনোভিসকী মখুত্তা ৬–৭ (৩–৭), ৬–১ দা মায়থিদুনা লৈহৌখি।

অতোপ্পা নুপীগী দবলসতা য়ু এস এ গী বেথানি মাটেক সেন্স অমসুং জেক রিপব্লিক্কী লুসি সফারোভানা য়ু এস এ গী জ ুরা এসিয়া মোহমদ অমসুং টেল্লর টাউন্সেনবু ৬–১, ৬–২ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেলদা স্লোভেনিয়াগী জুরা এন্দ্রিয়া ক্লেপাক অমসুং কটারিনা স্রেবোনিকপু ৬–৪, ৬–২ দা থোইরম্বা রুশিয়াগী একাটেরিনা মকারোভা অমসুং এলিনা ভেসনিনাগা লম্বা তৌনরগনি।

# ২০১৮ ফিফা ৱার্ল্ড কপকী ক্বালিফাইং মেটচ অমদা কলম্বীয়াবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীবদা ব্রাজিলগী মরুওইবা শান্নরোই নেমরনা মকোক থোংবা থৌদাং লৌখ্রে

*মানোস, সেপ্তেম্বর ০৭ ঃ*

রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা কুমজা ২০১৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়ানবগী ক্বালিফাইং টুর্নামেন্ট অমগী মনুং চনবা সাউথ অমেরিকাগী কাঙলুপ্তা কলম্বীয়াবু ব্রাজিলনা পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীবদা ব্রাজিলগী মায়কৈদগী নেমরনা মরুওইবা থৌদাং লৌবা ঙমখ্রে।

ব্রাজিলগী মানোস সহরদা লৈবা এরিনা দা এমাজোনিয়া ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা কলম্বীয়া অমসুং ব্রাজিলগী ক্বালিফাইং মেটচ অদুদা ব্রাজিলনা কলম্বীয়াবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখিবদা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা নেমরনা পাঞ্জল অমা চনখি।



ব্রাজিল অমসুং কলম্বীয়ানা শান্নখিবা মেটচতা ব্রাজিলগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবা কেপ্টেন নেমর (য়েৎ)

সাউথ অমেরিকাগী ক্বালিফাইং টুর্নামেন্টকী মেটচ অমদা ফুটবোলদা মমিং লৈরবা আর্জেন্টিনা অমসুং ভেনিজ্বেলা পাঞ্জল ২–২ চন্নরগা দ্রো চৎখি।

রুশিয়াগী ২০১৮ গী ফিফা ৱার্ল্ড কপ টুর্নামেন্ট অসিগী চত্থরিবা ক্বালিফাইং টুর্নামেন্টশিংগী ওইনা য়ুরোপকী কাঙলুপ্তা স্বিজরলেন্দনা পোর্টুগালবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা য়াম্না থাজদবা মওং দা ক্বালিফাইং টুর্নামেন্ট অসিগী অচৌবা মায়োন অমা পুরকপা য়াগদৌরি। হন্দক্তা য়ুরোপিয়ান ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৬ কী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা পোর্টুগালগী টিম্বু স্বিজরলেন্দগী টিম্না য়াম্না কোম্না মায়থিবা পীখিবা হায়বসি পোর্টুগালগী ওইনা চাউনা মায়থিবনি। নাকল অমরোমদা বেলজিয়ম্না সাইপ্রসপু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বালিফাই ওইবগী লম্বৈলদা মায়কৈ চুম্না চঙলি।

# রিও পেরালিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী হায় জম্পকী শান্নরোই অহুমনা অনৌবা পুৱারীগী লমায় অমা হাংদোকপা ঙমখ্রে

*ন্যু দিল্লি, সেপ্তেম্বর ০৭ ঃ*

চহী অসিগী ওগষ্ট ৫ দগী ২১ ফাওবা ব্রাজিলগী সহর রিও দি জেনৈরোদা মপুং ফানা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসকী মতুংদা চৎন–পথাপকী ওইনা পাঙথোকপা পেরালিম্পিক্সকী মায়কৈদা ইন্দিয়াগী হায় জম্প ইভেন্টতা শরুক য়ারিবা এঠলিট ৩ না মালেমগী ওইনা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরগা শরুক য়ারকপা অসিনা পেরালিম্পিক্সকী পুৱারীদা লৈবাক অমদগী শান্নরোই অহুম্না ইভেন্ট অমদা মকোক–মথং ওইদুনা অহুমশুবা ফাওবদা লৈবা ঙম্বগী অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙম্লি।

রিও দি জেনৈরোদা ঙসিগী হৌখিবা পেরালিম্পিক ওলিম্পিক গেমসতা পুৱারী অমা ইবা ঙম্লিবা ইন্দিয়াগী হায় জম্পকী এঠলিট অহুম অদুদি–মারিয়াপন থাঙ্গাভেলু, বরুন সিংহ ভাটি অমসুং সরদ কুমারনি।

রিওগী পেরালিম্পিক গেমস অসিদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শান্নরোই ১৯ না ইভেন্ট ৫ দা শরুক য়ারি। এঠলেটিক্সকী কেটেগোরিদা মিটর ১৫০০ গী লমজেলদা অনকুর ধামানা ইন্দিয়াগী মীংচৎ পুরক্লবা হোৎনগদৌরি।



রিওগী পেরালিম্পিক্সতা মেডল ফংলক্কনি হায়না আশা চাউনা তৌরিবা ইন্দিয়াগী হায় জম্পকী শান্নরোইশিং

এঠলেটিক্সকী মায়কৈদা হায় জম্পতা মালেমগী মকোক থোংবা শান্নরোই অহুমক ইন্দিয়াগী শান্নরোই ঙাক্তা ওইবনা ইভেন্ট অসিদা মেডল অমা নৎত্রগা অহেনবা মেডল ফংলকপদগী অচৌবা খুদোংচাবা অমা লৈরি।

এঠলেটিক্সকী মনুং চল্লিবা জেভ্লিন থ্রোদা ইন্দিয়াগী সন্দিপনা পেরালিম্পিক গেমস অসিগী ওইনা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই অমা ওইদুনা শরুক য়ারি।

পনবা য়াবদি ইন্দিয়াগী সন্দিপ তোঙান–তোঙানবা মালেমগী ওইবা থাক্তা পাঙথোকখিবা পেরা গেমসতা মকোক থোংদুনা লাকপা ঙমখ্রবা শান্নরোইনি।

নুপা অমসুং নুপীগী সোট পুটতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী এঠলিট অনী অদুদি–বিরেন্দর ধানকর (৫ শুবা সিদেদ শান্নরোই) অমসুং দিপা মালিক (৭ শুবা সিদেদ শান্নরোই) ওইরি।

অদুগা রেষ্টলিংদা নুপাগী ওইনা কেজি ৪৯ দা ব্রাজিলদা পাঙথোক্লিবা পেরালিম্পিক্স অসিদা ৬ শুবা সিদেদ শান্নরোই অমা ওইনা ইন্দিয়াগী ফর্মান বর্সানা অতোপ্পা লৈবাক্কী শান্নরোইশিংগা লম্বা তৌনগদৌরি।

মমাঙদা ওগষ্ট ৫ দগী ২১ ফাওবা রিও দি জেনৈরোদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক্স অদুদা মেডল ২ খক ফংখিবা অদুগী মথক্তা পেরালিম্পিক্সকী শান্নরোইশিংনা অহেনবা মেডল পুরকপা ঙমগনি হায়না থাজবা থম্লি।

# ওষ্ট্রেলিয়াগী মেক্সৱেলনা লৌখিবা রন ১৪৫ না শ্রী লঙ্কাবু রন ৮৫ দা মায়থিবা পীবগা লোয়ননা টি–২০ গী পুৱারীদা টিম অমনা লৌবা রনশিংগী মনুংদা অনৌবা রেকোর্দ অমা থমখ্রে

*পালিকেলি, সেপ্তেম্বর ০৭ ঃ*

শ্রী লঙ্কাগী সহর পালিকেলিদা শান্নখিবা অহানবা টি–২০ মেটচ অমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী গ্লেন মেক্সৱেলগী রন ১৪৫ গী মতেংনা টি–২০ ক্রিকেটকী পুৱারীদা ওষ্ট্রেলিয়ানা অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ ওইবা রন ২৬৩ লৌদুনা শ্রীলঙ্কাবু রন ৮৫ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙরাং শ্রী লঙ্কাগী সহর পালিকেলিদা শান্নখিবা অহানবা টি–২০ মেটচ অদুদা শ্রীলঙ্কানা টোস ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। ওষ্ট্রেলিয়ানা হান্না বেট্টিং তৌদুনা টি–২০ ইতিহাসতা টিম অমনা খ্বাইদগী রন য়াম্না লৌবা ঙম্বগী রেকোর্দ অদু থম্বা ঙমখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী গ্লেন মেক্সৱেল অমসুং কেপ্টেন ওইখিবা দেবিদ ৱার্নরনা ওপনর ওইনা বেট্টিং তৌখি । মখোয় অনীনা অহানবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ্তা রন ৫৭ লৌরমখি। দেবিদ ৱার্নর মশাগী রন ২৮ খক লৌদুনা লৈরিঙৈদা শ্রীলঙ্কাগী বোল্লর সেনানায়াকেনা আওট তাহন্দুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী অহানবা ৱিকেট অদু তুখি।



টি–২০ গী ৱার্ল্ড রেকোর্দ ওইবা স্কোর থম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী মেক্সৱেল

ৱার্নর আওট ওইখ্রবা মতুং দা উসমান খৱাজানা বেট্টিং তৌবা চঙলকখি। মহাক্না ফিভম ফজ দুনা লৈরিবা গ্লেন মেক্সৱেলগা পুন্না বেট্টিং তৌমিন্নদুনা ওভর ১৩ গা বোল ২ ফাওবা শান্নমিন্নদুনা পুন্না স্কোর বোর্দতা রন ১৫৪ য়ৌহনবা ঙমখি।

উসমান খৱাজা মশাগী রন ৩৬ লৌদুনা লৈরিঙৈদা শ্রীলঙ্কাগী বোল্লর পাথিরানানা আওট তাহনখি। মহাক্কী মতুংদা বেট্টিং তৌবা চঙলকখিবা ট্রেভিজ হেদকা ওপনর ওইরিবা গ্লেন মেক্সৱেলগা পুন্না শান্নরকখি। মখোয় অনীনা য়াম্না ফজনা শান্নরক্তুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস অদু ওভর ২০ লোইশিল্লকপদা ৱিকেট ৩ তুরগা রেকোর্দ ওইবা রন ২৬৩ লৌদুনা য়াম্না ফজবা মওংদা লৈবা ঙমখি।

ওপনর ওইখিবা গ্লেন মেক্সৱেলনা ইন্নিংস অদুদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎতুনা আওট ওইদনা শুপ্নগী বোল ৬৫ দা ফোর ১৪ অমসুং সিক্স ৯ য়ৈদুনা রন ১৪৫ লৌবা ঙমখি। অরোইবা বোলদা ট্রাভিজ হেদ মশাগী শুপ্নগী বোল ১৮ দা রন ৪৫ লৌদুনা লৈরিঙৈদা থিসারা পেরেরানা আওট তাহনখি।

রন ২৬৫ গী পাউখুম ওইনা শ্রীলঙ্কানা বেট্টিং তৌরকপদা অপুনবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৯ তুরগা শুপ্নগী রন ১৭৮ লৌখিবদগী ওষ্ট্রেলিয়াগী মখুত্তা রন ৮৫ দা মায়থিবা নংখি।

শ্রীলঙ্কাগী ইন্নিংস অদুদা দিনেস চন্দিমালনা বোল ৪৩ দা রন ৫৮ লৌখিবা, চামারা কাপুগেদেরানা বোল ২৫ দা রন ৪৩ লৌখিবা অমসুং কুসাল মেন্দিজনা বোল ১৩ দা রন ২২ লৌখিবা অদুনা শিংথাবা য়াবা রনশিং ওইখি। অদুগা অতোপ্পা বেটসমেনশিংদি মপুং ফানা রন অমত্তা লৌবা ঙমখিদে।

ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী মিটচেল ষ্টার্স অমসুং স্কোট বোলেন্দনা ওভর ৪ / ৪ লংখিবদা ৱিকেট ৩ / ৩ লৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু থোইবদা চাউনা মতেং পাঙবা ঙমখি।










Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*